# জেসামিদা ঙমখৈ ঙাক্লবা ডিষ্ট্রিক্টশিংদগী পুলিস পার্সোনেল ১০৯ খনগৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২ঃ* মণিপুর-নাগালেন্দ বোর্ডর অমা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী জেসামিদা *'ঙমখৈ'* ঙাক্লবা অমদি নাকল অনিগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা থোরকপা পামদবা থৌদো-কশিং লাকশিন্নবগীদমক ডিষ্ট্রিক্ট-শিংদগী সব-ইন্সপেক্টর মরি য়াওনা পুলিস ১০৯ খনগৎতুনা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পুল্লপ ট্রান্সফর পোস্তিং পীখ্রে হায়রি।

জেসামিগী খুঞ্জাশিংগা নগালেন্দগী ফেক ডিষ্ট্রিক্টকী মেলোরিগী খুঞ্জাশিং অনিগী মরক্তা হন্দক্তা মফম অদুদা *"লমগী উংখৎনবা"* অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী হোম ডিপার্টমেন্টনা লৌখৎলকপা চেকশিন-থৌরাংগী মনুং চন্না লম অনিগী তাইনবদা পি ও পি (পুলিস আউট পোষ্ট) অমা হাংদোক্লবা শেমশাখিবগা লোয়ননা পোস্ত অদুগী ষ্ট্রেঙ্থ-গীদমক পুলিস পার্সোনেলশিং অদু ডিষ্ট্রিক্ট অদুদা পোস্তিং পীখিবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী ডি জি পিনা এপ্রিল ৩০ দা থোকখিবা ওর্ডর অমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী সব-ইন্সপেক্টর মরি, হেড কনষ্টেবল মরি, কনষ্টেবল ৩৯ য়াওনা পুন্নাপুলিস পার্সোনেল পুন্না ৪৭, ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী কনষ্টেবল ৩৪ অমসুং থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী কনষ্টেবলল ২৮ নি য়াওরি।

উখ্রুলগীদমক ট্রান্সফর তৌবদা য়াওখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টরশিং অদুদি এন কর্ণকান্ত, কে বুধচন্দ্র, ঐচ চাওবা অমদি এমদি জমের-উদ্দিন নি।

পনবা য়াবদি, চেকশিন-থৌরাংগী অসিগী মনুং চন্না জেসামি পুলিস ষ্টেসনসু হন্দক্তা এস ডি পি ও (সব-ডিভিস্নেল পুলিস ওফিস) গী থাক্তা অপ-গ্রেড তৌখ্রবনি।

নাগালেন্দগী মেলোরি খুঞ্জাশিংনা হন্দক্তা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা জেসামিগী খুঞ্জা তরুক, ভি ডি এফ অমা য়াওনা ফাদুনা পুখ্রগা তমথিনা ফুরগা থাদোরকপদগী নাকল অনিনা উংখৎনরগা লৈরকখিবনি।

ষ্টেট অনিগী ঙমখৈ ওইরিবা মফম অদুদা সি আর পি সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থল্লিঙৈ মনুং অমুক হন্না নগালেন্দগী মাতিক্রি খুঞ্জাশিংগা উংখৎনরক্নুনা ঙমখৈদা লৈবা নাকল অনিগী লৌতাং-শঙশিং মৈ থাদোক্লদুনা অমাং অতাসু থোকখ্রবনি।

এপ্রিল ৩০ দা নাকল অনিগী ওইবা মীফম অমা অনিরকশুবা ওইনা পাঙথোক্তুনা য়াশিন্নবা অমা পুরকখ্রবসু মহৌশাগুম ষ্টেট অনিগী ঙমখৈদা লৈমিন্নরিবা খুঞ্জাশিংগী মরক্তা তুং কৌইনা শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবগীদমক হয়েং মীফম অমা পাঙথোক্লবা লেপ্পখিবগা লোয়ননা মীফম অদুদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওহন্নবসু মাংজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ডি জি পিনা থোকখিবা ওর্ডর অদুদা ট্রান্সফর তৌখ্রবা পার্সোনেলশিং অদুবু মরী লৈনবা এস পিশিংনা খুদক্তা অয়াবা পীবগা লোয়ননা মখোয়বু মে ৫ ফাওবগী মনুংদা নৌনা পোস্তিং পীরবা মফম অদুদা মীয়ামগী খল্লগা থুংগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।